**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-01-2026)**

**সেক্যুরিতি(এল)ঃ** মোইরাং থানা লৈকাইদা লৈবা ওইল পম্প অমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমসু ফারে।

মনিপ্‌র পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা পেত্রোল পম্পতা বোম লংশিনদুনা পোকখায়হনখিবা থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমা থা অসিগী ৮ দা ফাখি। মহাক্কা পুন্না থবক তৌমীন্নবা মীওই অমসু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল সনা কৈথেলদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। মহাক ককচিং জিলাগী ৱাংঙু শম্বল ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি। মঙোন্দগী এস.এম.জি. করবাইন অমা, মেগজিন মরি, নোংমৈ মরু ১১২, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, থারতি সিক্স ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেদ অনি, দিটোনেটর অনি অমদি গাড়ি অমা ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা নুমিৎ অসিমক্তদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি অতৈ আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী কাডর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথাবাল কুঞ্জ মমাং লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী ময়ুম ময়াদগী ফারে হায়রি।

**দ্রগ(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কাইরং মসজিদ মনিংদা লৈবা য়ুম অমদগী ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেৎ গ্রাম ৫৪ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পোৎলমশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। অদুম্মকপু, য়ুম অদুগী মপু অমদি দ্রগ লল্লোলিবা মীওইশিংদি ফাবা ঙমদ্রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা চংশিনবা মতমদা মীওইশিং অদু ময়ুমদা লৈরমখিদে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট বিভাগ অমদি ইগজ্‌কিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা ঙরাং কামজোং জিলাদা পোপী পান্বী য়ান্থৎখ্রে। জিলা অসিগী কাসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বোহোরম অমদি ইথম ভিলেজকী লোন্নবদা লৈবা চিংশাংদা লম একর ১৪ দা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলস অমদি কষ্টম দিপার্টমেন্টনা পুন্না ওপরেসন লমজাং থ্রি চখখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চুরাচান্দপুর জিলাগী খুগা দাম ময়াদা চখখিবা ওপরেসন অদুদা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী লুপা কোতি ৫ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম অনি মখায় ফারে। ড্রগশিং অদু সাপোন কেপ ২২০ দা হাপ্তুনা পুরকপনি। মহাকা থৌরকপা গাড়িসু ফাগৎলে হায়রি। ফারবা মীওই অদু কষ্টমসতা শিন্নখ্রে।

**সিইও (এলঃ)ঃ** মনিপুরগী জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-লোকেশ্বর ব্রহ্মাচারিময়ুমনা হায়-ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা জানুৱারী ২১ দগী ২৩ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা ‘দা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন দেমোক্রেসি এন্দ ইলেক্সন মেনেজমেন্ট’ হায়বা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি অসিদা সি.ই.ওনা লুচিংবা মীওই মরিগী ওইবা মনিপুরগী টিম অমা শরুক য়াগনি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা রাজ্য খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা হীরম অমমম পীরি।

মনিপুরগী ওইনা ‘ইজ ওফ পোলিটিকেল পার্টিসিপেসন ইন ভোটর রেজিষ্ট্রেসন’ হায়বা হীরম হায়বসিনি। মসিগা মরী লৈননা সি.ই.ও. মনিপুরনা দি.এম. য়ুনিভরসিতি, মনিপুর য়ুনিভরসিতি অমসুং হায় কোর্টতগী স্কোলার অহুম

খনগৎলে। মখোয়শিং অসিনা সেমিনারনচিংবা পাঙথোক্তুনা রিপোর্ট অমা শেন্নবা মতুং মীফম অসিদা পুথোক্কনি। অতৈ রাজ্যশিংগা লোয়ননা পীখৎলকপা রিপোর্টশিং অসি একাডমীক অমসুং অতৈ হীরমশিংদা শিজিন্নবা চেফোং ওইনা ফোংগনি।

**সেফতি (এল)ঃ** নেসনেল রোড সেফতি মন্থ-২০২৬ কা মরী লৈননা মীয়ামদা লম্বীগী নিয়ম ঙাকা চৎননবা অমদি নীংথিনা খঙহনবগী কেম্পেইনশিং তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চত্থনরি।

থাবুম অমা চুপা চত্থগদবা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাংসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাংবুনা জিলা অসিদা ত্রাফিক্কী নিয়মশিংগী মতাংদা অখন্নবা দ্রাইব অমা চত্থখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি. লম্বী, কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট, ৱাহেংবম লৈকাই পার্কিং এরিয়া, শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন ককৱানচিংবা মফমশিংদা অসিগুম্বা এৱারনেস দ্রাইবশিং থা অসিদা লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কাংপোকপী জিলাদসু ঙরাং রোড সেফতি এৱারনেস রেল্লি চৎখি।

থাবুম পালন অসিগী মনুং চন্না ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা জিলা অসিগী স্কুল, কলেজশিংদা ত্রাফিক্কী নিতি-নিয়ম ঙাকবা অমসুং লম্বীদা খুদোংথিবা থোক্তনবা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

**হেন্দবোল (এল)ঃ** কেপটেন এস. ইঙো সিংহ চেম্পিয়নসিপ ট্রোফি ফোর এম.য়ু. ইন্টর কলেজ হেন্দবোল মেন টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর-প্রভাপতি কলেজনা ওইরে।

অদুগা, এস.ওংবী অয়েকপম নলিনি দেবী মেমোরিএল চেম্পিয়নসিপ ট্রোফি ফোর এম.য়ু. ইন্টর কলেজ হেন্দবোল ৱিমেন টুর্নামেন্টকী ৱিন্নরনা বিরমঙ্গোল কলেজনা ওইরে।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মীৎয়েং মখাদা বিরমঙ্গোল কলেজ স্পোর্টস ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিনদুনা চিঙারেল তেজপুরদা লৈবা য়াইফ লমজিং কাংলুপতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিংদা মখোয়না ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী খ্বাইদগী ফবা শান্নরোইনা প্রভাপতি কলেজকী প্রেমসননা তাখ্রে অদুগা নুপীগী কাংলুপ্তুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী বারলিসনা তাখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা অওনবা কয়া পুরকখ্রে। হায়রিবা থৌওং অসি চথবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরবসু মসি লৈবাক অসিগীদমক তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি।

জয়পুরদা পাঙথোকখিবা সৌরিয়া দিবস থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-লাক্লিবা চহি ২০৪৭ অসিদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মপাঙ্গন কনবা আমর্দ ফোর্স ভারত লান্মীনা ওইননবা খোংজেল য়াংনা চংশিল্লি। ভারত লান্মীশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক লৌরিবা থৌদাংবু শিংথারদুনা মহাক া হায়-অনৌবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লৈরিবা ফিভম হেন্না ফগৎহনবা তঙাইফদে।

**বিরলাঃ** লোক সভা অধ্যক্ষ-ওম বিরলাগা ঙরাং মালাৱি নেসনেল এসেমব্লিগী স্পিকর-সামির সুলমানগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি ইন্সটিট্যুসনশিংগী ইকায় খুমবা, থাজনবা অমদি হেন্না অফবা মায়কৈদা পুরকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**ইরানঃ** ইরানদা সেক্যুরিতিগী ফিভম মখা তানা ফৎচিল্লক্ত্রিবা অসিগী য়েংলগা ভারত মচাশিং ইরানদা চৎতনবা সরকারনা হায়রি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা এদভাইজরি অমগী মতুং ইন্না-লৈবাক অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা ভারত মচাশিং মখা তাবা হুকুম অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎতনবা খঙহল্লি। ইরানদা হৌজিক লৈরিবা ভারত মচাশিং ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা চৎতনবা অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং লৈবাক অদুদা লৈরিবা এম্বেসিদা রেজিস্তার তৌনবসু হায়রি।

মরক অসিদা, তেহরানদা লৈবা ভারতকী এম্বেসিনা থোকপা এদভাইজরি অমগী মতুং ইন্না ইরানদা ভারতকী মহৈরোই, লাই খুরুম্বা লাকপশিং, লল্লোন ইতিক তৌবা অমসুং লম কোইবা লাকপশিং, কর্ম্মরসিএল ফ্লাইট য়াওনা অরৈবা পাম্বৈ শিজিন্নদুনা ইরান থাদোকবা হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোপুলর গভরমেন্ট শেম্বা শেমদবগী মতাংদা ফোংবা পাউশিং, মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসননা থবক লৌবগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ কমেন্দেসন পীরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তৌরিবা কুকি জো এম.এল.এ. তরাগী মনুংদা এম.এল.এ. অহুমদি শেমগনি হায়রিবা পোপুলর গভরমেন্টতা মিনিস্তর ফংনবা হোৎনরি হায়বা পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। জানুৱারী ২৬ ফাওবগী মনংদা পোপুলর গভরমেন্ট অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়বা এম.এল.এ. কেবাগী ৱাফম অমসু বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

গভরমেন্টনা কুকি জোগী খুৎলায় পায়বশিংদা চেকশিন ৱাফম থমখ্রে। সু গ্রুপকী দেজিগনেটেদ কেম্প তরেৎ অথুবদা হোংদোকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ চে অসিদা অথুবদা গভরমেন্ট শেম্লক্কনি হায়বগী আশা লৈতে হায়বা এম.এল.এ. এল. সুসিন্দ্রোগী

ৱাফম অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কে.এন.এফকী মথক্তা ইরেং নাগা ভিলেজ ওথোরিতিনা ৱাকৎখ্রে। ফুটহিল নাগা খুলশিং ফাওহল্লোইদৌরি হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা সি.সি.পুরদসু আইজোলদসু দ্রগশিং ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-মীয়ামনা খৌরাংনা ঙায়নরিবা পোপুলর গভরমেন্ট শোয়দনা শেন্নগনি হায়বগী চপ চাবা ৱাফম লৈত্রি হায়বা স্পিকর-টি.ঐচ. সৈত্যবরতাগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ চে অসিদা ডা: ইবোমচাগা লোয়ননা অসাম রাইফলস মরিদা কম্মেন্দেসন এৱার্ড ২০২৬ পীখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বোর্দর ফেন্সিংগী থবক কৈবু কৈরোইবগী হোত্রোং হোবা উতোংগা মান্নরে, হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিএলশিংনা য়েংশিল্লম্লবসু ঙমখৈগী শম্বল অমুক্কসু থুদেক্কল্লে হায়বা এক্সক্লুসিপ রিপোর্ট অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা মনিপুরদা য়ামা চাউনা কন্সটিট্যুসনেল ক্রাইসিস মায়োক রে। বি.জে.পিনা মীয়ামগী খোল্লাউ নমথদুনা থমলে হায়বা এদভোকেট-বন্সলগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসননা গ্রুপ (সি) অমদি (দি) গী রিক্রুইটমেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলে। পাউচে অসিদা নিতি আয়োগকী এক্সপোর্ট প্রিপিয়ারনেস ইন্দেক্সতা মনিপুরনা ৩৫ শুবা মফম লৈরি হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লুপা কোতি অনি লাখ ৬০ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন চুরাচান্দপুরদগী ফারে, দ্রগ পুরকপা মীওইসু ফারে হায়বা পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরে। পাউচে অসিদা-মিজোরামদা লুপা কোতি ২৯ হেনবগী দ্রগ ফাবগী পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

আর্মি ডে পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা

ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মমাং চহিগী আগষ্ট ৯ দা তৌনখিবা এম.ও.য়ুবু থওইদবগীদমক ফুটহিলস নাগা কোওর্দিনেসন কমিতিনা মনিপুর সরকারবু মরাল শিরি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোংদা হৌরিবা কোমলাশিংগী ফিভম য়েংশিন্নবগীদমক সেন্ট্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতি, কে.ভি.কে. অমদি অতৈ সাইন্টিষ্টগী অপুনবা সেন্ট্রেল টিম অমা তমেংলোংদা লাক্লগনি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরে।

দা চম্পতা-ইরেং নাগা ভিলেজতা থাজিল্লম্বা কুকিলেন্দ ষ্টে এৱে হায়বা ৱাহৈ কুকিশিংনা মুখৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা-চহি অসিগী এপ্রিল ফাওবদা খুৎলায়শিং পীখৎলকবা কেন্দ্র সরকারনা য়ু.এন.এল.এফ. (পি) দা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু ফোংলি